# ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মরুম থুপ্লিবশিংনা মখৈ ফংনা শাওরকপদা অঙম অরায় খঙলক্তে

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

হায়নৈ অসুম্না - ঐখোয় মীওইপোকসে পুমথোই থোইবা অথোইবনি। অফ-ফত্ত খন্থনবা লৌশিং অমদি অমগা অমগা পাউ ফাওদোক্নহন্নবা ৱা ঙাঙবা ঙম্বগী আর্ট অমা য়াওরিসিনসু ওইবা য়াই। লাইবক থীবদি অসুক য়াম্না মমল য়ামখ্রবা মপু মাগী খুদোলশিংসে মফম মতম মরম চানা শীজিন্নবা হৈতবা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। মশাগী ওইজবা থিবা ময়াম অমা ৱাইগুম চাইরকপনা তাইওন্নবা থৌওং থৌচৎ কয়া চথনৈ। মসিননি পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা অকি তুজুংলবা থৌদোক কয়া থোকখ্রিবসু। মশীং লাকঙমদবা লান কয়াগী ৱারীনা পুৱারীগী লমায়শিংদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি। পোকঙমদনা পোক্লবা হকচাংশিংদগী চেন্থরকপা ঈখেংনা শংবান্নরবা মালেম লৈমগী তম্পাক্তা মচু শংজিনখ্রবনি। ঙসি ফাওবা ঈখেংশিংদুগী মনম কোক্ত্রিবনি। ঐগী হায়বা ৱাখলসিনা পূক্লিং হকচাং অনীমক লোই চনশিনখ্রবদা মীনুংশিগী চন্নফম লৈরক্তে। থৌজাল নুংশিবা পূম্নমক মমি শামখ্রবনি। হৌজিক্কী মতম অসিনা অমুক্কা হেন্না শাথীবা হেঞ্জিল্লক্লি, নোংমা নোংমগী অসুম অসুম। শমজিল্লবদা নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে হায়বদুমক্কী ফীভমদা লৈরে হায়বা য়াই।

ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মরুম থুপ্লবা হোৎনবা মীওই ময়াম অমা লৈ। মখোয়না তৌথোরকপশিংসে লৌখৎপা য়াবা অমত্তা য়াওদে। তাইবঙপানগী ফজবা মচৎ মওংশিং অসি মখোয়না উবা ঙমদে। উরবসু উশিন্নদে, মমিৎ উইশিন্দুনা খাঙই। চিঙ্গাকশিং অসিগী মরুম থুপ্লগা মপান নাইদ্রবা পেকথোকপগী লোইবা নাইররোইদবা লন-থুম, সনা-লুপা, হী-য়াইগী মপু ওইনীংই। তাইবঙপান অসিবু মখোয়গী খোঙপাক মখাদা নেৎশিন্দুনা থম্ন ীংই, পুন্সি চূপ্পগী ওইনা হৌগৎলকপা ঙমদনবা মওংদা মখোয়না চথবা থবক্তি ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী ফেক্টরি মশীং থিঙমদখৈ লিংখৎপা, য়োল্লগা শেন্দোং তানবনি। মখোয়না খঙই তুংগী মীরোলগী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংবু অফবা হীরমদা পূক্লিং লুপশিনহনবদি মতম চঙই, লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী মথৌ তাই। অদুবু ময়াই কাবা পোৎলমশিংদা লাইচুহনবদি মতম চঙদে, অরায়বা থবক অমা পাঙথোকপগুম্বনি। মদুদনি ময়াই কাবা পোৎলমশিংগা মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্কা পোৎলমশিং অসিবু শুংবা, য়োনবা শীজিন্নবগী থবকপু হিংচা য়াইতম্বগী শিনফমনি হায়বসি মীৎকুপ অমফাওবা নীংশিংদবমখৈ চোং ফল্লি, চেন চোংই। মখোয়গী থবক মায় পাক্লবা হোৎনবদা হাৎপা, তূপ্পা, কিহন-খংহনবগী পান্থৈনচিংবা শীজিন্নৈ। মখোয়গী থম্মোয়দা য়াওবা মীনুংশি হায়বদু মপান মরূ ফূক্লগা লংথোকখিবা মাল্লি। তশেংনমক হায়রবদা করিগুম্বা পান্থৈ অমত্তনসু মাঙহনবা ঙমদ্রবা তমথীরবা মহীক ওল্লবনি। মীওই খুন্নাই কন্নবগীদমক পোৎলমশিং অসিবু থিংনবা হোৎনরুবা খুদিংমকপু য়েক্লুবনি খল্লি। অঙম অরায় থিদে, অমাঙ অতাক, অথুম অরোম্বঙাক ওইরকই।

পুৱারী হঙ্গৎনা য়েংবদা খঙবা ঙম্মী মদুদি লোইলম শন্দোকপদা হালেংদবা য়ুরোপিয়নশিংনা নেচরেল রিছোর্স মরাং কায়না লৈবা অদুবু ইন্দষ্ট্রিগী হীরমদদি শোত্থনা লৈরিবা লৈবাকশিংদা মীৎয়েং তারকখি। লোইলম লৈঙাক লিংখৎলকখি। মনীং তম্না শেন্দানফম মফম ওন্থোকপগী পান্দমনি। পান্দম ফংনবা হোৎনবদা হুগী মশক ওইরবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অমদি মতিক চাবা খূৎলায় কয়া শীজিন্নখি। খুদম অমা অনীদং য়েংবা য়াই। অমেরিকাগী লৈমায়দা অতৎ অখম লৈতনা য়ুরোপিয়নশিংনা খোঙদারকখি। খৃষ্ট কুমগী তরাতরুকশুবা চহীচাদা পোর্টুগিজশিংনা ব্রাজিলদা লোই লৈঙাক লিংখৎখি। ব্রাজিলগী উমংদা হৌবা অঙাংবা মচুগী উ মখল, চুগী ফার্ম অমদি মিল লিংখৎপগী খুদোংচাবা কয়াবু করম্না নান্থোকহনগনি। ব্রাজিলগী য়েলহৌমীশিংনা হান্না মশক মগুন খঙলমদবা খূৎশু-খূৎলায়, য়ুনচিংবা পীশিল্লগা লাং থাকখি। সাউথ অমেরিকা লোই চনশিন্নবা লাল্লোংনি। তরাতরেৎশুবা চহীচাদা নোর্থ অমেরিকাদা অমুক য়ুরোপিয়নশিং চঙশিল্লকখি। য়েলহৌমীশিংবু কিহন খংহনবা করিগুম্বা খরা পীরগা পঙথহনবগী পান্থৈশিং শীজিন্নখি। হান্না লৈজরম্বা য়েলহৌমীশিংবু মখোয়গী খূবাম্মুংদা থম্নবা হোৎনবদা নোংমৈগী মগুন খঙহল্লি। লীরুং তেন শীজিন্নবা য়েলহৌমীশিংদা নোংমৈ পীবদা কয়াগী মতিক হরাওজখিবা। মখোয়গী ময়াই কল্লবা খোয়থুম্নবা য়ু পীশিল্লি, লাইচুহল্লি। কাইনথংদা বৃটিশনা নোর্থ অমেরিকা লোই চনশিনখি।

চাইনাগী পুৱারীদা ***ওপিয়ম ৱার***গী থৌদোক তাদবা কনা য়াওরমগদগে? তরামাপনশুবা চহীচাদা চাইনাগী পোত্থোক কয়া য়ুরোপকী কৈথেলদা য়োনখি। য়ুরোপিয়ন লল্লোনবশিংনসু মখোয় মখোয়গী মরৈবাক্কী ইন্দষ্ট্রিশিংনা পুথোকপা পোত্থোকশিং পীরক্তুনা চাইনাগী কৈথেলশিংদা য়োল্লম্মী। অদুবু চাইনা মীয়াম্না লৈবীদে, পোৎশিৎ ফত্তে, নীংবা কায়নৈ। অহনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়নননা বৃটিশনা পোথী তৌই ... মতৌ করম্না চাইনাগী কৈথেলশিং খুদুম চনশিনসিগে হায়না। কাইনথংদা ওপিয়ম থাজিন্নবা ৱারেপ লৌখি। নিশাগী ময়াই অঙকপনি, বৃটিশ মায় পাকখি। চাইনাগী মীয়াম মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং ওপিয়মগী ঈরৈনা চেন্থখিবগী ফীভম য়ৌরকখি। লৈবাক মাঙহনবা য়াবরা, মীয়াম্না ওপিয়ম পুশিল্লকপগী মায়োক্তা হৌরকখি। চাইনা লৈঙাক্লসু থিংননবা থবক লৌখৎলম্মী। অদুবু বৃটিশকী লমহেনবা থবক থৌওংদি লেপ্পা কৌবা নাইখিদে। মদুনা মরম ওইরগা চাইনা লৈঙাক ফোর্সনা অকনবা থবক পায়খৎলকখি। ওপিয়ম ময়াম অমা তুরেলদা লংথদুনা মাঙহনখি। মতুং তাবদি বৃটিশনা চাইনাগী মথক্তা লান লাউথোকপা অমদি টেরিটরি খরা লৌশিনবনি। কয়াদা তমথীখ্রবা মচৎনো ময়াই কাবা পোৎলমশিংগী মরুম থুপ্পা কাঙবুশিংগী!

ঐখোয়গী ইরৈবাক মণিপুরদসু কুকিশিংনা পোপি থাই, উমং-ৱামং কোকথোকই, মহৌশাগী খল কায়হল্লি, দ্রগ শুংই, য়োল্লি, মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়াবু তিঞ্জং কাইজংবা ওইহল্লি। খূৎলায় লৈশিল্লি, লৈঙাক চুপ্লি পায়শিন্নবা পান্দম থম্মী। থিংনবা হোৎনরুবদা হিংচাবা ওল্লকই। মীতৈ মীচমশিংগী পুন্সি অমদি লন-থুমদা তেমশীংনরক্লে। লৈঙাক্না চৈরাক পীদে, য়াম্না নুংশিবগী মতৌ উত্তুনা লৈ। করম্বা অরোনবা থৌশিল লৈবনো, য়াম্না খঙনীংদ্রনে? ঈরাং লাকশিনবগী মিংদনি, মণিপুর তম্পাক সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সনা পৃক পৃক শৌরে, মীত্তা চংখিদৌরে। খুন্নাই অসিগী তাঙলবা লন ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী থৱায় লৌগে তেমশীংলক্লে। সিক্যুরিটি ফোর্স অমা কুকি খূৎলায় পায়বা অমা, সিক্যুরিটি ফোর্স অমা পোপী পান্বী অমা অসুম্না লম্বা পান্নরবসু সিক্যুরিটি ফোর্সনা লেমহৌগদবা মাল্লি। মসিদনি খৌনাও কংবমখৈ লাউনীংলক্লিবসি অসুম্না... ***গো টু হিলস, সিক্যুরিটি ফোর্স পূম্নমক! মরূ ফংনা ফুক্তৎলুরো পোপী পান্বীশিং! নিশাগী ঈরৈনা চেন্থখিদৌরবা খুন্নাই অসিবু কলহৌরসি! নতীং লৈরবদি কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা লান্থেংনরুরো! নংত্রবদি নতেফমদা তেখরো, নহনফমদা হনখরো! সেন্টরগী লৈঙাক্লোইশিংদি তূম্বৈ তূম্বা তূমজরসনু! মখোয়দা দিষ্টর্ব তৌবীরুরনু! মণিপুর লৈঙাক্লোইশিংদি মীৎকপ থোক্লো তূমখুন তান্দুনা মঙলোন তাদুনা লৈবীরনু! সনা লৈবাক মণিপুরসে মোংফম ওনখিদৌরে! লৈবাক মীয়াম শাউহল্লক্কনু! মীয়ামগী শক্তিসে মপাঙ্গল কনবনিকো! থাঙ-তেন, নোংমৈ, বোম-তোপ চঙদবনিকো! তরাই তরাই খনবীনু!*** ●

# কাউন্টর এটেক: দেমোক্রেসিদা লৈবাক মীয়াম’দি ঈশ্বরনি, ঈশ্বরনবু তৌগে খনখ্রদি ঙমদবা লৈব্রা

- বি কে শর্ম্মা -

মালেমগী সুপর পৱার ওইখিবা সোভিএট য়ুনিয়ন কায়খিবদু কুমজা ১৯৯৩দা ওইরমগনি। মালেমগী পুৱারীদা অসিগুম্বসি হেক হেক থোকই। সোভিএট য়ুনিয়নগী মীয়ামদা চহী লিশাং শিৎনা ওমখত্তুনা লাকখিবা মৈরী অদু মৈচাক ফবা হেনগৎলকখিবা মতাং অমদনি সোভিএটকী টেঙ্ক থৌদোরকখ্রবসু ময়ূম ময়ূমদগী থোক্লরকখিবা মীয়াম অদুদা মরূ অমা ফাওবা কাপ্পা তৌদনা মীয়াম্না মায় পাক্তুনা ষ্টেট কয়া মনীং মখা তম্বা লৈবাক অমমম ওইনখিবদু। কম্যুনিষ্ট লৈবাক ওইখিবা সোভিএট য়ুনিয়ননা মীয়ামদুদা খূৎ থাখিদে, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইরম্লবদি টেঙ্ক থৌদোরক্লম্মোই, লৈবাক মীয়াম হায়বসি ঈশ্বরনিনা।

‘ৱামৈ’ হায়বা ৱাহৈসি ফুঙ্গাদা মৈ থাখিবগী মৈতাল, উৎনচিংবদু পৈশিল্লগা মনুংদা মৈশা ওমশিন্দুনা লৈবদুনি। মসিগী ৱামৈ’সিদি মৈশা হন্থখ্রগা মতোমতা মুৎচখিবনি। অদুবু পূক্লিং-ৱাখল-থম্মোয়দা ওমখৎতুনা লাকখিবা মৈশাদি মতোমতা মূৎচখিবা হায়বদু লৈতবনিনা সোভিএট য়ুনিয়ননা দষা তাখিবনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম মরু ওইনা মীতৈ ফূরুনা ইন্দিয়াদা পেন্দবা লৈরকখিবসি ইনিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংগী রেদ লেন্দসদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লগা মণিপুর ইন্দিয়াদা তিল্লে হায়বগী নমদুনা সোই তৌহনখিবা মতমদুদগীনি। দেমোক্রেসি পামজবা মীতৈশিংনা ঙসি ফাওবদা তকশি শোন্দুনা লাক্লি, মণিপুর মীয়ামগী মীখল পাঙথোক্তুনা মনীং-মখা তম্লবা মণিপুরগী লৈখিবা দেমোক্রেসি লৈঙাক অদু ইন্দিয়ানা খোঙ্গোইনখিবগী। মনীং-মখা তম্লবা মণিপুরগী এসেমব্লি (পার্লিয়ামেন্ট) মীফম পাঙথোক্তুনা মর্জর এগ্রীমেন্ট চৎনবা য়ারোই হায়বগী ৱারেপ লৌদুনা রিজেক্ট তৌখিবনি। থৌদোকসিনা মণিপুরীশিং মরু ওইনা মীতৈশিংগী পূক্লিং ৱাখল-থম্মোয়দা মৈ হৌবা হৌখি। মতমদুদগী হৌনা ইন্দিয়ানা নাকোইনবা অমদি হকথেংনবা থৌরাং থৌশিল কয়া চথদুনা মণিপুর কংলৈপাক অসি অন্দর ইষ্টিমেট তৌদুনা মণিপুরগী মরু ওইনা মীতৈশিংবু মশানা মশাবু হন্থনা উজনবগী লম্বীরোমদা চৎহন্দুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা মশানা হন্থনা খঞ্জনবগী পোলিসি অসি করিদগী ইন্দিয়ানা চত্থরকখিবনো হায়বা তারগদি মণিপুর কংলৈপাক অসি চহী লিশীং কয়াগী অইবা পুৱারী লৈজবা অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা ময়াক লৈনা পাল্লকখিবা মণিপুর কংলৈপাক্কী মীয়াম মরু ওইনা মীতৈশিংগী ৱাখল-পূক্লিংদা য়াওজদুনা লৈখিবা ‘নীংতম্বা’ হায়বা ইথিল অদুগী ময়াক হন্থখিনবনি। অদুনদি কুমজা ১৯৬৩দা শেমখিবা নাগালেন্দবুনা শেমখিবা খুদক্তুদা অদুম ষ্টেট ওইনা শেমখ্রগা মণিপুরবুনা চহী শাংনা পার্ট-সীদা হন্থবা থাক্তা থল্লকখিবদু। মসিদা নত্তনা এদমিনিষ্ট্রেসনদা পোলিটিক্সতা মণিপুর কংলৈপাকপু হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনবা পোলিসি কয়া’মসু চথৈ হায়বসি ইখঙদা খঙনরবা ৱানি।

অদুগুম্বা অরোনবা থৌশিল-থৌরাং কয়াদুগী মনুং চন্ননি হৌজিক হৌজিক কুকিশিংনা মণিপুরদা লান্দা চত্থরল্লিবসি। হৌজিক্কী কুকিনা লান্দারকপসিদদি ইন্দিয়াগী অরোনবা ওইনা লাকখিবা থৌশিল-থৌরাংদু ইফোং ফোংলেদনা। মণিপুরদা কুকিনা লান্দাশিনবসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎ য়াওই হায়বসিগী খুদম-চাংদম ৱাত্তনা মশীং খঙদনা লৈরবনি। মসি ফাওবদা কোংগ্রেসকী ওইরসু বি জে পিগী ওইরসু এম এল এ পূম্নমক্না ইন্দিয়াদা থাজবা থমদুনা তৌফম থোকপশিং পাঙথোকচবা ঙমদনা লৈরক্লি। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংসিগী হৌরক্লোন য়াওনা ৱারী নৌহৌননা লীবগী কান্নবা লৈতে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ঈরাংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাংলিবা খোঙথাং অমদি খোঙথাংসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা ঙাওজদুনা লৈরিবসিদগী অদুম্মক খঙলে মদুদি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফৈগাক ফৈনা লেপ্লি হায়বদু।

কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা ইন্দিয়াগী পেরামিলিটরি ফোর্সনা ঙাক্লৌ পীরগা মণিপুরদা লান্দাখিবসি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা লাক্তুনা ইন্সপেক্সন হকথেংননা চত্থরমখ্রবা তুংদা দেল্লী হনখ্রগা মেক-মাক লাউরক্তুনা লৈখিবদগী লানগী ফীভম কনশিল্লকপদগী সী এম বিরেন অমিট শাহগী মনাক্তা তন্না চেনশিনখিবনি। মদুদা অমিট শাহনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগীদমক হান্নদগী য়াখোক্তুনা থল্লবা লানগী লান্থোং অদু সী এম বিরেনদা শিন্নরকখিবদা সী এম বিরেননা হরাও-হরাও অমুক তন্না ইম্ফালদা হল্লক্তুনা পাউদমজখিবনি, চীংগী লো এন্দ ওর্দরনা অমিট শাহনা ঙাক্লগে, তম্পাক্কী লো এন্দ ওর্দরনা ঐঙোন্দা ঙাক্লো হায়রক্লে হায়না। অমিট শাহগী মসিগী লান্থোং সিমক্লা হৌজিক্তি করি শারে। লান্থোংদু সী এম বিরেনদা হেক শিন্নরকখিবদগীদি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা এরিয়া দোমিনেসন তৌথোক্তুনা লৈখ্রবা চীংগী শরুকশিংগা তম্পাক্কা তাইনবা মফমশিং বফর জোননি লাউথোরক্তুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু চাউনা ঙাক্লৌ পীদুনা থমখ্রে। মসিমক অমিট শাহনা বিরেনদা তৌবা অচৌবা বিত্রে অমনি। লোয়ননা মণিপুর থুগাইনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থবক চত্থবগী চং চং লাউবা খুদম অমনি।

মণিপুরগী সী এম অমবু বিত্রে তৌবীবা হায়বসি মণিপুরবু বিত্রে তৌবনি। থম্মোয় শোকই, পেন্দবা মপৈ মপৈ হাইগৎলকই। হৌজিকসু সী এমবুদি সেন্টরনা অচুম্বা মায়কৈদা চৎলি হায়না থাজজবা লৈরমগনি। মখোয় অনী হায়নখিবগী মতুংইন্না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চীংদা থবক লৌখৎলকপগী মহুৎ কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং ফ্রী থাদুনা হায়নখিবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবদগী মীতৈ মীয়াম্না নোম্লকখিবা ফূমগী ইৱাই-ইনিলদা অমুক তন্না দেল্লীদা চেনশিন্নখিবদা ‘তম্পাক্তা ঐগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চৎপদা মৈরা পায়বীশিংনা থিংলিবদু তৌহনগনু’ হায়রকখিবদা অমুক পংথদুনা হল্লকখিবনি। অমিট শাহগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অদু ইন্দিয়াগী লো থুগাইরিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন চত্থবগী মহুত্তা মখোয়গী মীচংদা লেপ্তুনা মীতৈদা ওনশিল্লগা নোংমৈ-বোম কাপ্পকখিবদগী মৈরা পায়বীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবনি হায়বা ৱাফম ফাওবা মখোয়গী মচিন্দগী কাংথোকচবা ঙমখিদবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অমিট শাহগী তাৎ-পাৎ অসিফাওবা খঙবা ঙমদবগী ফীভম উৎখিবদু মহাক্লা মীতৈশিংবু য়ৌনা উশিৎলমগদৌ মান্দে। ঐখোয়গী লৈঙাক লুচিংবশিংনা ইন্দিয়াগী পো খঙবা ঙমদ্রবসু মীয়াম মরু ওইনা মীতৈদি হোত্রোং হোনা উবা ঙম্মী।

ইন্দিয়াগী পো ’সি করিনো হায়বদু ঐখোয় মীয়াম্না মুন্না খঙলবনিনা লৈরিবা ইস্যু খুদিংমকসি পান্থৈ অমখক্লা সোল্ব তৌনবা ওইনা খন্নবদু মতম থেংখিগনি। ঐখোয়না হৌজিক তৌগদবসি এন আর সীগী খোল্লাও থদোক্লসি, কুকি নার্কো টেররিষ্ট তকথোকখো হায়বা দিমান্দ তোকথোক্লসি, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীবা য়ারোই হায়বা খোল্লাওসু লাউরগুমসি। অমত্তা ওইথোক্লরোই। মসিগী মহুৎ পূম্নমকসিবু শ্রু লাউনা তুমহনখিবা ঙম্বা সোল্যুসন অমা ওইরিবা ‘মণিপুরগী লৈজখিবা সোভরেন্টি’ অদু তাল্লসি। হৌজিক্তি মীয়াম অমত্তা চিত্থদনা মসিবু শৌগৎলক্লগদবনি। ঐখোয়গী হকনি, ঐখোয়গী বর্থ রাইটনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীতৈদা লান্দাবা লানসি লোইনবা অমত্তা ঙাইবা মচাক্তি জষ্টিস, লভ এন্দ পিছ হায়বা ৱাহৈ অসিতনা লোইশিনবা ঙমগনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মে ৩দগী থোক্লিবা লান অসি মওং তানা লান লোইশিনহৌদ্রবদি মালেমগী লাঞ্জাও ওইখিবা য়াবগী মরম চাউনা লৈ। হায়রিবা ৱাফম অসিগী মরু ওইবা মচাক্তি হৌজিক থোক্লিবা লান অসি মীতৈগা কুকি-জৌ গ্রুপকা খত্তা শোক্লবা লান নত্তে। লান অসিদি মীতৈ অমসুং লাইরোল চৎপা কাঙবুগা কুকি-জৌ লাইরোল চত্তবা কাঙবুগা শোক্লবা মালেমগী লাননি। তিঙ্খাং হিংচা য়াইতম্বা (নার্কো টেররিজম) হায়বা ৱাহৈ অসিমক্লসু লান অসি মালেমগী লাননি হায়বা অসি তশেংনা তাক্লি।

ৱাফম অসি লৈবনা মীতৈ ঐখোয়না লাইরোল খঙনা মালেমগী লাইরোল চৎপশিংবু খোমজিনবা মথৌ তাই। অদুগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফূরুপশিং খুদম ওইনা হায়রবদা, বিহারি, নেপালি, বেঙ্গলি, মুসলিম, মদ্রাজি অমসুং নাগাশিংবু লাইরোলদা লাইরোল খঙহন্দুনা লান য়াওবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মখোয়না লান অসিদা মখোয়না য়াওদ্রবদি লাইগী ৱায়েলগী মতুংইন্না মখোয় লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনি।

হৌজিক্তি হৌ ইরা লাকখ্রবনিনা লাইরোল খঙদনা থবক অমা তৌবদা মহয় য়ানবা মতম ওইররোই। শম্না হায়রবদা চারগা চাই, চাদ্রগা চাদে হায়বগী মতমনি। খঙলগা খঙই, খঙদ্রগা খঙদে হায়বগী মতমনি। লৈবাক ঙাকপসু অদু মঙাই পুকচেল শেংদনা অমসুং হৈতনা লৈবাক ঙাকপগী মতম হেনখ্রে। লাইশঙদা লাই লৈতবা, পুক্তা লাই লৈবগী মতম অদু লাকখ্রে।

ঙসি লৈবাক অসিদা থোক্লিবা অমদি থোরক্কদবা অৱা-অনা, মীকপ-মীরাওখোল অমদি অশি-অনাশিং অসি হৈতনা অমসুং খঙদনা লৈবাক ঙাক্লিবশিংদা মদুগী মহয় অসুপ্পা মপুনা পীনবা থৌরাং তৌদবা নত্তে। হন্দক্কী মীতৈ অমসুং লাইরোল খঙবা কাঙবুদা লান্দারক্লিবা অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং পি এমনা লৌরিবা খোঙথাং অসিদি মালেম অসিদা জষ্টিস লৈবা য়ারোই হায়বা অদু উৎথোকপনি। হায়বদি মালেম মূৎনবনি। হিন্দুশিংনা ঙাইজরিবা রাম রাজ অমসুং সত্য যুগকী মায়োক্তনি।

ঙসিগী মতম অসিদদি জষ্টিস য়াওদনা ৱাহৈ অমা ফাওবা ঙাঙবগী মতম লৈতবা মতম ওইখ্রে। মীচম মীয়াম্বু তৌশিন্নবা, মীনম্বা ৱাহৈনা থেম্বা য়াদবা মতম অদু লাকখ্রে। জষ্টিস লৈতবা মীগী থম্মোয়দা লভ হায়বা ৱাহৈ অসিগী ইরিক অমা ফাওবা চেন্দে হায়বা অসি লায়না খঙবা মতম লাকখ্রে। নুংশিবা য়াওদনা লৈবাক ঙাকপা হায়বা অসি ওইথোক্লরোইদৌবা মতম অদু লাকখ্রে। নুংশিবা মশক খঙদবা মীনা পিছকী ৱারী শাবদি মঙদা মঙ্গ্রা তানবগুম্বনি।

পিছ লৈত্রবদি ফ্রীদম লৈরোই। ফ্রীদম লৈত্রবদি শেৎনবা ফি উপু থন্না লৈরবসু উপু হাংনবা ছোজৈ লৈতদুনা ফীমন শেৎতুনা লৈবগুম্বনি। অমরোমদা অমুক হায়রগা চানবা কয়া লৈরবসু চাকশঙ হাংনবা ছোজৈ লৈতদুনা চরা হেন্দুনা লৈবগুম্বনি।

ওইদবা ৱাহৈ অমা ঙাঙখিবা অদু ওইদবা চা কয়া ঙাঙদুনা কাউথোকহন্নবা হোৎনবা খক্তনি। লাই মশক খঙদনা লাইগী মিংদা মীয়াম্বু নুংশিবা শাবগী ৱাতনি। মমালোল মশক খঙদনা মীগী মমালোল মূত্থৎনবা তৌবদি মমা লৈবাক কায়নবা শিনবনি। ঐখোয়দা লান্দারক্লিবা অসি থুনা লোইশিনবা অমদি শোয়দনা মায় পাক্লবা লাইরোল খঙদবা কাঙবুশিং অসি কনা কনানো হায়বা অসি মমুৎ তানা খঙবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী য়েক্লবা অসি খঙলবগী তুংদা লান অসিগী মমিং থোনবা মথৌ তাই। মিং অদুনা লান অসি লোইগদৌরিবনি।

মতমগী খোঙলৈনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা অদুঙৈ ইপু-ইপা মতমদা লৈরম্বা লাইগী ময়াই হায়বদি অচুম্বা (জষ্টিস), নুংশিবা (লভ), ঈং-তপ্পা (পিছ), নীংতম্বা (ফ্রীদম) অমসুং লাইরৈবাক (হেভন) হায়বা ময়া মঙা অসি লাকখ্রে। মরম অদুনা ঐখোয়না লান অসি শোয়দনা মায় পাক্লবা লাইরোল খঙনা লান শোক্লবা মথৌ তাই।

**অদোমগী - চোংথাম মাংলং,** হৌ ময়েক্লা তাবা লূপ, লম্বোইখোংনাংখোঙ

## তৌহৈখিদ্রবা অশিববু লীদুনা থম্বা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

পীকক্রু পীকপা কনানা করি তৌরি ইখঙ খঙনবা চীংলৈবাক লমদম মণিপুরদা চহী ১৫ মনম লৈবাক তাদনা পানবা ঙমখিবদি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী ওক্রম ইবোবীনি। লৈবাক্কী লুরবা মতমসিদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। মীওইববু শোয়দবা ঙম্বা হৌনব্রা। লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিংদা অশোয়বা য়াওরল্লগদি মীয়াম্নসু ফোঙদোকপীরকউ, লৌথুপ লৌকোই লৈতনা। মসি য়াম্না লৈবাক মচা তাবা লুচিংবা অমগী ৱাঙাঙনি। মহাক্লা পাল্লিঙৈদসু লমদমসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ময়াম অমা থোকখি। অদুম ওইনমক য়াম্না শীংথানীংঙাই ওইবা চাওখৎ থৌরাংদি য়াম্না পায়খৎলম্মী। খুদম ওইনা পল্লবদা মণিপুর খুন্নাইদদি কৈথেল হায়বসিনা মীয়ামগী হিংননবগী পান্থৈনি খঙবনা খ্বাইরমবন্দগী নুপী কৈথেল অহুম হান্নগীদু শিদোল্লগা নৌহৌননা শাৎ হৈরগা শাখি। খ্বাইরমবন্দদা লৈঙাক অমত্তনা তৌবা ঙমখিদবা লৈকংথোং নৎত্রগা বির টিকেন্দ্রজিৎ ফ্লাই ওভর শারম্মী। ঙসি ঙসিমক মৈ (ইলেক্ট্রিক) গী ওইরিবা ফীভমসিসু ওক্রম ইবোবীগী মপালদগীনি। হান্নগী সী এমগী তোপ তোপ্পা মতিক মগুন অমা হায়রগদি লৈবাক মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইবদা নুপা থোকখিবা জোক্কর মানবা লুচিংবা ওইখিদবদুনি। জোক্করগুম্বা লুচিংবা নত্তবনিনা মহাক্লা অসিমসু খঙই মদুদি ইন্দিয়ানা মতম লৈবা খিবিক্তা মণিপুরদা শেল থাদনীংদে, শেল পীনীংদে অদুবু মহাক্তি অসিগুম্বা মতমদা দেল্লীদা চৎতুনা লৈবাকসিগী য়াইতোং খমদোংবশিংগী মফমদা মখোঙ থিল্লুবা ঙমখিবা লুচিংবা অমনি। পন্নীংঙাইদি য়াম্না লৈ মহাক্কী মরমদা অদুবু ঐতিহাসিক ওইহৌরগদবা অমত্তং পল্লগদি ইন্দিয়াগী অয়াবা য়াওরগা ইদিয়াদা মমিং লৈরবা নাগা লালহৌবগী লুচিংবা থুইঙালেন মুইভা মণিপুরদা নম হাদুনা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা ওক্রম ইবোবীনা ঐনা পাল্লিঙৈদদি চঙবা য়ারোই হায়দুনা চঙহনখিদবদুনি।

অদুবুনে দেমোক্রেসিদদি লৈঙাক হায়বসি অহোংবা নাইবনিনা হৌজিকসি ইন্দিয়াদা বি জে পিনা লিদ তৌবা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইএন্সকী লৈঙাক লৈরি। মালেম পূম্বনা ইকায়খুম্নরিবা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরি। মণিপুরদসু বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরি। হৈঙাং এ সীদগী হঞ্জিন হঞ্জিন ভোট কারকখিবা নোংথোম্বম বিরেননা সী এম ওইরি। বি জে পিনা লুচিংবা অনীশুবা টর্মনি। চহীদা পারগনা তরুক হৌখ্রে অদুবুনে লৈঙাকসিনা তৌথোরকপা থবক্তি মচুশু তাদবা, মায়সু পাক্তবা হেক্তা থোকপা। য়ুঙাং শুংলগা লৈঙাক্কী শেন্দান লম্বী ওইনবগী থৌরাং তৌরুরগা মীয়ামগা মুক্লরকপদগী ফেল ওইদুনা তোকখি। মতম অদুদা ঐখোয়গী মায়কৈদগীদি লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চিঙ্গাক করবার তৌরগা শেল তানগদবগী মহুৎ অতোপ্পা লম্বী য়াম্না লৈবনি হায়না ফোঙদোকচখিবনি। ৱার ওন দ্রগসকী মনুং চন্না মণিপুরগী চীংমায়দা হৌরিবা পোপি পান্বী ফূকপগী মহুত্তা য়ান্থৎপনিনা হেন্নদুম মকা ফন্দোরকই। অখঙ অহৈশিংনা হায়নবগী মতুংইন্নদি ওক্টোবর-নবেম্বরসি পোপি মরূ লোকপা মতমনি। তৌরু তৌরু খুদিংদা মায় পাক্তবদগী হেন্দোক্তুনা লানসু থোক্লে। চহীসিগী মে ৩, কালেনগী ১৩নি পানবা য়ূমশকৈশা তৎনবা নুমিৎসু থোকপা অসিদগী মীতৈগা কুকিগা লান হৌরে। মচি মচিগী লাননি। লানসিসু ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২০০/৩০০/৪০০ থাপ্পদা শোক্লবসু নৎত্রি। লানসিদা লায়রবা ইনাকখুনবা খায়দনা ময়ূম মকৈ উৎ ওনখ্রবা মীওই লিশীং ৬০ লাঞ্জেন্নরি। লান্দা শিখিবা অশিবা ময়াম অমনা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংগী মোর্গতা তারগা লৈরি। থা ৪/৫ রোম ফারক্লে। তাইবঙগী লোনচৎতদি মী শিরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপনি। অঙম অথৌ ওইগেরা, ভিক্ষারি ওইগেরা, লালহৌবা ওইগেরা, অশিবা লীদুনা থম্বসি হায়নীংঙাই লৈতনা তৌহৈখিদ্রজাৎনি। চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈজবা ইরমদমসি ঐখোয়দি য়াম্না নুংশিজৈ, পাম্মুজৈ। মণিপুর লৈঙাক্লা মোর্গতা তারিবা অশিবশিংদা মীৎয়েং চঙবা ঙমদ্রগদি ইন্দিয়াদা হায়য়ু অশিবা লীরগা থম্বীগনু, ঐখোয়গী অহল লমন, লাই গুরুশিংনা য়াম্না ৱারৌই হায়না।

ঙরাং নহানসু চীংমৈরোংগী দিঙ্কু রোদতা লৈবা লাইওইরবা খোংনাং অমা তুরকখ্রে। অশিবা ৱাওই থৌওইদবগী ফল ওইনা বাবুপড়াগী হৈনৌ অমুক তুথরল্লগদি মথা শাবদগী হেন্দোক্তুনা অঙাওবা ওঞ্জরক্কনি হায়বিদে হায়নি।

**অদোমগী - এ নন্দকুমার,** চনম পুখ্রি মপাল, শীংজমৈ

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৫

১) **“বামোন ঈবেম্মা অঙ্গংবী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **“পলহৌরবা কাউশিং”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবগে?

৩) **“ইন্দিরা:ইন্দিরা নেহরু গান্ধীগী পুন্সি ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৪) **“ঈথক মচাশিংগী ৱাহং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৫) **ইদোম য়ুমদোমপোকসিদা**
**মুশি-মুশিরবা**
**আশাগী উচান মৈরাসে পায়রগা**
**ঙাইহিরিবনি ৱানা নঙবু হল্লকপা।**
**নঙনা থুংলরবদি**
**লৈতেংলনি ঐসু য়েন্নিংথাগী ফজবনা।**
শৈরেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী শক্লাইবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।